# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-03-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খ্রে।

২) অহুমসুবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা মণিপুরদগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পুন্না শান্নরোই ৩১৯ না শরুক য়াগনি।

অমসুং

৩) ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা রাজনীতি দলশিংনা ভোৎ খোন্বগী থবক কনখৎলক্লি।

-----

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং য়ারিপোক পেচিদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়ারিপোক পেচি অৰাং লৈকাইদা ঙরাং অয়ুকথৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাংবুনা থি হুন্বগী থবক চখ্খি। মদুদা য়ুম ৫২ রোমদা লৈরম্বা মীওই ১২৩ মশক খঙদোকখি। অদুবু মীফম মীপুনদি লৈখিদে।

অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা কে. সোংলুং খুলদা এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চখ্খি।

এআর (এল)ঃ আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী লাংজা ভিলেজদা নোংমগী ওইবা মেদিকেল কেম্প অমা থা

অসিগী ১৬ তা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা অঙাং ২৬ য়াওনা পুন্না মীওই ১৩৬ লায়েংখি হায়রি।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং লম্বী শেম্বগী থবক চথুরিবা অসি বালোক খুলগী ফালোং-থ্রিদা মতম খরগী ওইনা থিংজিনখ্রে। দিভলপমেন্ট কমিতি অমসুং এ.দি.বি ফন্দেদ ইম্ফাল-কাংচুপনা লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি চংশিনবনি। প্রোজেক্ট অসিনা শোকহল্লবা ফালোং-থ্রিগী ইমুংশিং অমসুং লম মপুশিংদা ক্ষেতিপুরন পীবগা মরী লৈননা লম্বী থিংবগী ৱারেপ লৌখিবনি। দিভলপমেন্ট কমিতি পুমতিয়াংগী চেয়ারমেন্না পাউমীশিংদা হায়- ক্ষিতিপুরন পীবগী থবক থা অসিগী ১৫ ফাওবদা লোইশিন্নবা সরকারনা মমাংদা থাজবা পীখিবা অদু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

হোম গার্দ (এল)ঃ মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন অমসুং হোম গার্দ ৱেলফ্যার স্কিম কমিতিনা শিন্দুনা থবক্তগী পোত্থারবা অমদি লৈখিদ্রবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংদা স্কিমগী শেন্থংশিং য়েন্থোকখ্রে। ঙরাং ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিলভপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা পার্সোনেল অহুম য়াওনা পুন্না পার্সোনেল ৪৪ দা শেনফমশিং অদু খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা হায়- হোম গার্দশিংগী য়াইফনবগীদমক করি তৌবা য়াবগে হায়বদু লৈঙাকসু এসোসিয়েসনদা খঙহনবিয়ু।

গেমস (এল)ঃ নাগালেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা অহুমসুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস ঙসিদগী হৌরগনি। থা অসিগী ২৩ ফাওবা চথুগদবা গেমস অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্য ৮ গী এথলেটশিংনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ১৫ দা লম্বা তৌনগনি। মণিপুরগী ওইনা মোইরাংথেম রতন সিংহনা চীফ দি মিসন ওইরি। হংলেম বোনি অমসুং এম. ইবুঙোচৌবীনা দিপ্যুতি চীফ দি মিসন ওইরি। গেমস

অসিদা মণিপুরদগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পুন্না শান্নরোই ৩১৯ না শরুক য়াগনি। ২০২২ গী মেঘালয়দা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা মণিপুরনা সনাগী ৮৫ য়াওনা পুন্না মেদল ২৩৭ ফংদুনা মকোক ওইখিবনি।

পিএম ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা রাজনীতি দলশিংনা মীখলগা মরী লৈনবা মীয়ামগী ওইবা মীফমশিং পাঙথোক্তুনা ভোৎ খোম্বগী থবক কনশিল্লক্লি।

মীখল লোইদ্রিবা ফাওবা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা চৎনবা পথাপ কয়া শেমদুনা ই.সিনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেশকী পালনাদু জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- এন.দি.এগা চৎমিন্নরিবা রাজনীতি দলশিংনা রাজ্যগী অমদি লৈবাক্কী খনদুনা চাওখৎ মাইকৈদা চংশিল্লক্লি। এন.দি.এগী পান্দমদি- চাউখৎপা ভারত অমগী মঙলানদা অন্ধ্র প্রদেশপু চাওখৎপা রাজ্য অমা ওইহনবনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদসু এন.দি.এগী সরকার অমা লৈরবদি চাওখৎ খোঙথাংদা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙমগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সরকার অসিনা লৌমীশিংগী তঙাইফদবশিং মপুংফানা ফংহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। পি.এম-কিষান সমানিধিগী মখাদা লমদম অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগীদমক লুপা কোতি ৭০০ কী মথক্তা পীথখ্রে। শ্রী মোদিনা হায়- মহাক্কী সরকার অসিনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা মহৈ লোইশঙ কয়া শঙ্গাবা অমদি কয়া অমনা শানবগীদমক যাত্রা হুনখি।

রেল্লি অদুদা তেলেগু দেসম পার্তিগী চীফ এন্দ. চন্দ্রবাবু নাইদু, জেনা সেনা পার্তিগী চীফ পাৱন কল্যান অমদি অতৈ তোঙান তোঙানবা পার্তিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

রাহুল ঃ চহি অসিগী জনুৱারি ১৪ দা থৌবাল জিলাগী খোংজোমদগী ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট মালিক আর্জন খরগেনা লমথাখিবা রাহুল গান্ধিগী ভারত জোরো ন্যায় যাত্রা ঙরাং মুম্বাইদা ভারতকী সংবিধানগী প্রিএম্বল

পাথোক্তুনা লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল মুম্বাইগী চৈত্যভুমিদা লৈবা বি.আর. অম্বেদকরগী খুভমদা ইকায় খুমবা উৎখি। মণিপুরদগী হৌরগা কিলোমিতর লিশিং ৬,৬০০ শাংনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীফমদা রাহুল গান্ধিগী মাইকৈদগী ৱাশক ২৫ শকখি। ভারত জোরো ন্যায় যাত্রা অসি ভারত্তা অচুম্বা ৱায়েল পুরকবগীদমক পান্দমদা চৎখিবা খোঙচৎনি।

থৌরম অদুদা কংগ্রেসকী জেনেরেল সেক্রেটরি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

ষ্টার্টঅপ ঃ লৈবাক অসিগী ষ্টার্টঅপকী ইকো সিষ্টেম মপুংফানা উৎপা খ্বাইদগী চাউরবা থৌরম ষ্টার্টঅপ মহা কুম্ভ ঙসিদগী হৌরগনি। থৌরম অসি নিউ দিল্লিগী ভারত মান্দপ্পমদা থা অসিগী ২০ ফাওবা চত্থগনি।

থৌরম অসিদা এ.আই, বি.টু.বি, এগ্রিটেক, দিপটেক, ক্লাইমেট টেক, গেমিং, ই-স্পোর্টস, ফিনটেক, ইনকুভেটরস অমসুং এসেলেরেটরসকী পেভিল্লিয়নশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমদা য়ুম্ফম ওইবা পেভিল্লিয়নশিং হাংগনি। ষ্টার্টঅপকা শেল থাদবা মীওইশিং য়াওনা অতৈ তোঙান তোঙানবা লমগী মীওইশিংগা মরী লৈনহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা করটেনরাইজরগী পাউগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা দি.পি.আই.আই.টিগী সেক্রেটরি রাজেশ কুমার সিংহনা হায়- লৈবাক্কী কোনুংদা খ্বাইদগী চাউবা থৌরম অমা ওইনা হন্দক্কী থৌরম অসি অহানবা ওইনা শিনবনি। মহাকা হায়- ভারত অসি ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেমদা খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা লৈবাকনি অমসুং ষ্টার্টঅপকী মশিংসু নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। থৌরম অসিদা ষ্টার্টঅপ লিশিং ২ হেন্না, তুংগী ওন্তেরপ্রেন্যুর লিশিং ৩০, লল্লোন ঈতিক্কী লমদা শেল থাদবা মীওই লিশিং ৫০, ইনকুভেটর ৫০০ হেন্না অমসুং লৈবাক ১০ গী মীহুৎশিং শরুক য়াগনি।

ক্রিকেট ঃ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী চেম্পিয়ন রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরনা ওইরে। ঙরাং নিউ দিল্লিগী অরুন জেটলি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেলদা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরনা দিল্লি কেপিতেলসপু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। দিল্লি কেপিটেলসনা ওভর ১৮ বোল ৩ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১১৩ খক লৌখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ই.সি.আইনা ইলেক্তোরেল বোন্দ দেটা অপলোদ তৌরকখিবগী পাউ, মীতৈ খুলদা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে অমসুং লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পার্তিগী টিকেৎ তান্নবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ই.সি.আইনা ইলেক্তোরেল বোন্দ দেটা অপলোদ তৌরকখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর মেল অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মোর্নিং বেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা চহি ২৪ গী নুপী অমা পুলিসনা কনখ্রে হায়বা পাউ অনিসুব হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- কোতু অমদি আই.টি.এল.এফনা ত্রাইবেল মীয়াম্বু হুমদুনা পুবা য়ারোই হায়বা পাউন অহানবা হেদলাইন তৌরি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা লৈঙোই পেকফমদা লান্দারকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, সনালৈবাক অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- কংগ্রেসকী শোইদবা লৈরে, বি.জে.পিগীনা ঙসি লাউথোক্লবা য়াই হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মীখলগা মরী লৈনবা পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা লোক সভা মীখলদা মিজোরমগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা কুকি ভোতর লিশিং ৯ ভোৎ থাদবা ফংলোইদৌরি হায়বা পাউ অহানবা

হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লক্ত্রবদি মীখলদা সি.পি.আই শরুক য়াবা য়াদবা খন্নখিগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। এম.ঐচ.আর.সিনা লন্নাই দিএদিক্সন সেন্তরদা নিয়ম কায়না থবক চখবা থেংনরে হায়বা পাউন অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- লোক সভা মীখল পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- জিরিবামদা শরোই খাঙবগী পোৎলমশিং কুকিশিংনা কাউখায়রম্বা কন্দেম তৌই হায়বা পাউনা অনিসুনা হেদলাইন তৌরি। রাহুল গান্ধিগী ভারত জোরো ন্যায় যাত্রা মুম্বাইদা থুংদুনা লোইশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি সনালৈবাক অমদি হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- ইরিল তুরেলগী ইরি তৎখ্রে, ইম্ফাল খাইবোক অমা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োকরে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা মণিপুরগী লানদা মিজোরমনা খাবৈ খারা শাবা লেপত্রি, মিজোরমগী চীফ মিনিষ্টরগী পোলিতিকেল এদভাইজর চুরাচান্দপুরদা লাক্কুনা বফর জোনশিং য়েংশিল্লম্লে, আই.টি.এল.এফকা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতিদা সবটেন্স এব্যুসকী মতাংদা রিক্লেমেসন কম্পিতিসন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফ্যু মেল দা মকাম য়ুঠ ওর্গনাইজেসননা হাইপৌ জাদোনাং পার্ককী অকোইবা মফমশিং শিৎ শেংখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেকমাইজিনদা লৈবা ওইল পম্প অমদগী নুংথিল পোবোবতা লুপা লাক্ষ ১ মখায় হুখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফেঙলি।

তমেংলোং টাইমসতা- লোক সভা মীখলগী মতম লাওথোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

-----